এ আই এফ এফনা বালাবু ২০২০-২১গী ৱিমেন্স ফুটবোল্লরগী মিংথোল পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই২০ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোয় ঙাঙোম বালাদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা কুমজা ২০২০-২১গী লৈবাক অসিগী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা নুপী ফুটবোল শান্নরোয়গী মিংথোল অদু পীখ্রে।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী এ আই এফ এফনা বালাবু ৱিমেন্স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা পীরকপা অদুদা থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্কী মতুংদা ষ্টেট অসিগী নহা ওইরিবা নুপী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা অচৌবা থৌনা পীবা ঙম্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, ঙাঙোম বালানা য়ুরোপতা লৈবা স্কোটলেন্দগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্স এফ সীদা প্রোফেসনেল ফুটবোলগী ওইনা শান্নবা ঙম্বা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয় ওইদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা অনৌবা লামায় অমা হাংবা ঙমখিবনি। মমাং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা রেঞ্জর্স এফ সীগী নুপীগী টিমগা খূৎয়েক পীনদুনা লৈবাক অদুগী নুপীগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগতা শরুক য়াবা ঙমদুনা শান্নরক্লবা মতুং চহী অদুমক্কী দিসেম্বর থাদা ক্লব অদুমক্কী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইদুনা লাকখিবনি।

বালানা ফোঙদোরকপদা, এ আই এফ এফনা মঙোন্দা ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মিংথোল পীরকপা অসি য়াম্না থাগৎলি হায়খি। লোয়ননা মহাক্কীদমক্তা মশীং য়াম্লবা মহাকপু পামজবা ভাবোকশিংগী মতেং অদুবুসু নীংশিংলকখি। মশাগী চহী ৩১ শুরবী ঙাঙোম বালানা তোঙান-তোঙানবা মহাকপু শেম্বীরকপা কোচশিংদসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা মহাক্কী ইমুং-মনুং অমদি শান্নমিন্নরোয়শিংনা পীরকপা মতেংশিং অদুবুসু থাগৎলক্লি। হন্দক্কী মনা অসি থারগা ঙাঙোম বালানা এ আই এফ এফ ৱিমেন্স ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা অসি অহুম্লকশুবা ওইনা ফংলিবনি। মমাংদা কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৫দা চহী অনী থংন-থংননা মনা অসি ফংখি।

এ আই এফ এফকী মায়কৈদগী সিনিয়রগী থাক্তা ঙাঙোম বালাবু খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয়গী মনা অদু লাউথোকখ্রবা মতুং ফেদরেসন অসিনা পীবা ৱিমেন্স ইমর্জিং ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা অদুনা মনিশা কল্যানদা পীখি। মশাগী চহী ১৯ শুবদা ঙাইরিবী মনিশা কল্যাননা চহী ১৭ মখা অমসুং ১৯ মখাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্টরনেসনল মেটচ কয়া শান্নবা ঙমখ্রবা মতুং ২০১৯দা সিনিয়রগী থাক্তা য়ৌরকপনি।

চোংথাম বিস্বমিত্রা নেসনল য়ুঠ বোক্সিংদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

সোনিপট, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

সর্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দকী মায়কৈদগী শান্নরিবা মণিপুর মচা চোংথাম বিস্বমিত্রানা হরয়ানাগী সোনিপটতা লৈবা দেল্লী পব্লিক স্কুলগী বোক্সিং এরিনাদা পাঙথোক্লিবা ৪শুবা য়ুঠ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

বিস্বমিত্রানা ঙরাং নুপাগী কিলোগ্রাম ৫১গী অহানবা রাউন্দদা মণিপুরগী বোক্সর পুখ্রম্বম জেক্সনবু মায়থীবা পীরম্লবা মতুং ঙসি শান্নখিবা বাউটনা মধ্য প্রদেশকী বোক্সর সুভম শাহুগা লম্বা তৌনরকপদা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌরকপদা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না হেন্না ফজবা মরম্না মহাক্কী লম্বা অদু হেন্না শোক্লগনি হায়বগী মতাংদা বাউট অদুগী রেফরিনা আর এস সী (রেফরি ষ্টোপ্পিং কন্টেষ্ট)দা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকখি।

চহী ১ কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইদুনা লেপ্লুরবা ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিনা মখা তারকপদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি য়াওনা সর্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দকী শান্নরোয়শিংগা থারগা পূন্না বোক্সর ৪৭৯না তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংদা লম্বা তৌনরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপীগী কিলোগ্রাম ৮১ মথক (হেভিৱেথ)কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা হরয়ানাগী বোক্সর দিপিকানা হৌজিক-হৌজিক ৱেথ কেটগোরি অদুগী য়ুঠ চেম্পিয়ন ওইরিবী অলফিয়া পথানবু মায়থীবা পীরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

২০১৯ জুনিয়র বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবী দিপিকানা বাউট অদু স্কোর ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেলদা চান্দিগরগী বোক্সর মেহক মোরগা লম্বা তৌনরগনি। মেহক মোরনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা রাজস্থানগী বোক্সর রিশিকাবু ৫-০দা মায়থীবা পীরমখি।

নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮গী প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অমদা হরয়ানাগী গিটিকানা রাজস্থানগী য়ামিনি কনৱরবু ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা ৱেথ কেটগোরি অদুগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

চেছ ৱর্ল্ড কপতা প্রগনন্ধ টাই ব্রেক শান্নরগনি, হরিকৃষ্ণ মায় পাকখ্রে

ORLD CUP
OPEN
26
MICHAL KRASENKOW
PRAGGNANANDHAA RAMESH BABU

সোচি, জুলাই২০ (এজেন্সী):

রসিয়াগী সিটি সোচিদা পাঙথোকপা ফিদে চেছ ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর রমেশবাবু প্রগনন্ধনা পোলেন্দগী গ্রান্দমাষ্টর মাইকেল ক্রাসেনকোগা টাই ব্রেক শান্নরগনি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর পেন্টালা হরিকৃষ্ণ মহাক্কী রাউন্দ মায় পাকখ্রে।

মশাগী চহী ১৫দা ঙাইরিবা প্রগনন্ধনা ঙরাং অথেংবদা শান্নবা ফিদে চেছ ৱর্ল্ড কপকী অহুমশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী গ্রান্দমাষ্টর চহী ৫৭ শুরবা মাইকেল ক্রাসেনকোগা লম্বা তৌনরকপনি। অহুমশুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা গেম প্রগনন্ধনা ক্রাসেনকোবু মায়থীবা পীরবা মতুং অনীশুবা গেম অদুসু মহাক্না মায় পাকপা য়ারবা তাঞ্জা অমা গেম অদুগী ৩৩শুবা মুভতা অশোয়বা খোঙথাং অমা তৌরুবা অদুগী মাঙজবা অদুনা পোলেন্দগী শান্নরোয় অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনরগা গেম অদু ৪৪শুবা মুভতা থোইদুনা পোইন্ট অমমম্ ফংনবদগী ঙসি অথেংবদা টাই ব্রেক শান্নগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নম্বর টু শান্নরোয় ওইরিবা হরিকৃষ্ণনা রোমানিয়াগী কোনষ্টেন্টিন লুপুলেস্কুবু অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা মায়থীবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মশাগী চহী ৩৫ শুরবা হরিকৃষ্ণ ইন্দিয়াগী চেছকী লম্দা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ফংবা ঙমখ্রবা বিস্বানাথন অনন্দগী হেক মথংদা লৈবাক অসিগী নম্বর টু শান্নরোয় ওইরিবনি। মহাক্না নোংমাইজিং নুমীৎতা শান্নবা অহুমশুবা রাউন্দগী অহানবা গেমদা রোমানিয়াগী কোনষ্টেন্টিন লুপুলেস্কুবু মায়থীবা পীরবা মতুং ঙরাং শান্নবা অনীশুবা রাউন্দদা মুভ ৪৬তা গেম অদু দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১.৫-০.৫দা হেন্দুনা অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাক্লবা মতুং মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

ৱর্ল্ড চেছ কপ অদুদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় নিহাল সরিন রসিয়াগী দিমিট্রি এন্দ্রেকিনগী মখূৎতা ০.৫-১.৫দা মায়থীবা নংদুনা লৈহৌখি। অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী বি অদিবন অমসুং বিদিট গুজরাথি গেম অনী শান্নবদা পোইন্ট ১-১দা লৈদুনা মান্নবদগী ঙসি অথেংবদা ৩শুবা গেম অদু টাই ব্রেকতা লাইবক য়েংনগদৌরি।

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা অম্পায়রিং ক্রাশ কোর্স পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ২০(ঐচ এন এস):

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমদা এসোসিএসন অসিনা থা অসিগী ২২দগী ২৫ ফাওবা নুমীৎ ৪নিগী ওইবা ওনলাইন অম্পায়রিং ক্রাশ কোর্স পাঙথোক্লগনি হায়রক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা ওনলাইন অম্পায়রিং ক্রাশ কোর্স অদু চেন্নাইদা লৈবা অম্পায়র কোর্স ইন্সটিট্যুটকী হেদ ফেকল্টি রাধাকৃষ্ণনগী মখাদা পাঙথোক্কনি হায়রি। হায়রিবা কোর্স অসিদা হৌজিক-হৌজিক মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী মখাদা লৈবা অম্পায়রশিং খক্তা নৎতনা ফ্রেশ কেন্দিদেটশিংনসু শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি।

ফ্রেশ কেন্দিদেটশিংগী ওইনা কোর্স অসিদা শরুক য়াবা য়াগদৌরিবশিং অদু ক্রিকেট মশান্নদগী পোথাখ্রবশিং নৎত্রগনা মশান্না অসিদা পামজবশিংগী মরক্তগী য়াওবা য়াগনি হায়রি।

হায়রিবা ফ্রেশ কেন্দিদেটশিং অসিনা কোর্স অসিদা য়াওননবগীদমক্তা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী ক্রিকেট ওপরেসন মেনেজর ওইরিবা সোইবম ললিতচন্দ্র (৯৮৫৬১৫৯৬৪৫ / ৭০০৫৬২৫২২৩)দা জুলাই ২১ ফাওবগী মনুংদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা য়াগনি হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী জেনরেল মেনেজর তোম্মী থিংঙোমনা খূৎয়েক পীবা চেরোল অসিনা মখা তারি।

ওলিম্পিক্স শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংবু মখা তানা য়াইফ থৌনী পীনরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই২০(ঐচ এন এস):

ইরাই নুমীৎতগী জপানগী কোনুং টোকিওদা হৌগদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী শান্নরোয় মঙানা মিংচৎ উরোং পুরকপা ওইরসনু হায়না তোঙান-তোঙানবা মায়কৈ কয়াদগী য়াইফ থৌনীরক্লি।

নুপীগী বোক্সিংগী কিলোগ্রাম ৫১দা এম সী মেরি কোম, নুপীগী ৱেথলিফটিংদা সাইখোম মিরাবাই চনু, নুপীগী জুদোদা লিকমাবম শুশিলা, নুপাগী হোক্কীদা শংলাকপম নিলাকান্ত অমসুং নুপীগী হোক্কীদা পুখ্রম্বম সুশিলা চনুনা শরুক য়াগদৌরিবনি।

দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী মায়কৈদগী শান্নরোয় মঙা অসিনা মকোক থোংদুনা ইরমদম মণিপুরগী মিংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়না থৌনীরক্লি।

অমরোমদা, লমদিং এদ্যুকেটেদ ৱেলফেয়র এসোসিএসন (এল ঈ দব্লিয়ু এ)গী মায়কৈদগীসু মণিপুরগী শান্নরোয় মঙানা ইমা লৈবাক মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবগীদমক তাইবং মপূদা থৌনীজরি অমদি য়াইফ থৌনী পীবগা লোয়ননা অশোক-অপন য়াওদনা মিংচৎ পুদুনা লাকপা ওইরসনু হায়রক্লি।

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী মায়কৈদগীসু মণিপুরদগী হৌখিবা শান্নরোয় মঙা অসিনা ওলিম্পিক গেমস অসিদা চাওনা মায় পাকপা ওইদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরকপগা লোয়ননা মালেমদা মণিপুরবু মশক তাকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়বা পাউজেল পীরক্লি।

কাদাগী মায়কৈদগী মখা তারদুনা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা খূজিন মমায় মুক্তা চাওবা মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেট অমদগী মীওই ৫না ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবগী খূদোংচাবা ফংলকপা হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্কী চাওথোকচনিংঙাইনি। মখা তানা হৌরক্লিবা খুন্নাই অসিগী নহারোলশিংনা অসিগুম্বা অচৌবা শান্নবগী কুম্মৈশিংদা শরুক য়াদুনা লমদম অসিবু মালেমগী মীয়ামদা মশক তাকপা ঙম্নবা অফবা চীঙ্গাক চাবগা লোয়ননা ময়াই কাবা চীঙ্গাক মখল খূদিংমক্তগী লাপ্না লৈদুনা হোৎনবা কনবগী খোঙথাং চঙশিল্লসি হায়রক্লি।

ইন্দিয়ানা স্রি লঙ্কাবু ৱিকেট ৩দা অনীশুবা ৱান দে থোইখ্রে

কলম্বো, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

স্রি লঙ্কাদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ঙসি শান্নবা ২শুবা ৱান দে মেটচ অদু ৱিকেট ৩দা থোইবা ঙমখ্রে।

কলম্বো সিটিদা লৈবা প্রেমাদাসা ষ্টেদিয়মদা য়ূম্বু স্রি লঙ্কানা টোস ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০গী মনুংদা বেটসমেন ৯ আউট ওইরগা রন ২৭৫ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী ৫শুবা বেটসমেন অসালনকানা রন ৬৫ লৌদুনা খ্বাইদগী য়াম্না স্কোর তৌবা ঙম্বা ওইখি। ওপনর অভিস্কা ফর্নান্দোগী রন ৫০ য়াম্না মরু ওইখি। ৮শুবা বেটসমেন সী কারুনারত্নেনা আউট ওইদনা বোল ৩৩দা রন ৪৪ লৌদুনা অপূনবা স্কোর অদু য়ৌনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি।

অতোপ্পা ওপনর এম ভানুকাগী রন ৩৬ অমসুং মরিশুবা বেটসমেন ধনঞ্জয়া দি সিলভাগী রন ৩২সু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী বোলর ভুবনেশ্বর কুমার অমসুং দিপকনা স্রি লঙ্কাগী বেটসমেন ৩/৩ আউট তাহনবা ঙমখি। অদুগা দিপক চাহরনা বেটসমেন ২ আউট তাহনখি।

মেটচ মায় পাক্ননবা ইন্দিয়ানা রন ২৭৬ লৌনবা হোৎনরকপদা হৌরকপদা ফীভম শোকখি। অপূনবা রন ৬৫দা মকোক থোংবা বেটসমেন ৩ আউট ওইখি। ৮শুবা বেটসমেন দিপক চাহরনা আউট ওইদনা বোল ৮২দা সিক্স ১গা ফোর ৭ য়ৈরদুনা রন ৬৯ লৌখিবা অদুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা থোইবগী অচৌবা লম্বেল অমা ওইহনখি। ৫শুবা বেটসমেন সুরিয়া কুমার য়াদবনা বোল ৪৪দা রন ৫৩ লৌখিবা পর্ফোর্মেন্স অদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদুগী শোথরুরবা ফীভম অদু পুখৎলকপা ঙমখি।

কেপ্টেন সিখর ধৱননা রন ২৯ লৌরম্বা, মরিশুবা বেটসমেন মনিশ পান্দেনা রন ৩৭, ৭শুবা বেটসমেন কুর্নল পান্দেনা রন ৩৫ লৌখিবা অমসুং ৯শুবা বেটসমেন ভুবনেশ্বর কুমারনা আউট ওইদনা রন ১৯ লৌখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৫০শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৭৭ য়ৌদুনা মায় পাকপা ঙমখি।

ওলিম্পিক্সকী টেবল টেন্নিসকী শান্নফম পীকই হায়না চাইনাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি

বৈজিং, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

চাইনিজ টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট লিয়ু গোলিয়াংনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমদা থা অসিগী ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা লৈরিবা টেবল টেন্নিস শান্নফম অদু পীকই হায়খ্রে।

চাইনাগী ষ্টেট ব্রোদকাষ্টর ওইরিবা সী সী টি ভিগা উনবা অমদা গোলিয়াংনা হায়খিবদা, মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা টেবল টেন্নিসকী কম্পিটিসনশিংদা লৈরিবা টেবল টেন্নিসকী শান্নফম অদু মিটর ৭x১৪ ওইবনি। অদুবু টোকিওগী ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা টেবল টেন্নিসকী শান্নফম অদুদা পীরিবা মফম অদু ৬x১১ ওই হায়খি।

পনবা য়াবদি, ওলিম্পিক্সতা চাইনানা অপূনবা টাইটল ৩২ লৈবগী মনুংদা ২৮ লৌদুনা মখোয়গী লম্বা পীননবা লৈবাক মশীং য়াম্না নেন্না হায়বা ৱাফম মীয়াম্না খঙনরবনি। চাইনিজ টেবল টেন্নিস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট গোলিয়াংনা মখা তারদুনা, শান্নরোয়শিংনা অপীকপা মফম অদুদা চেন্দুনা নৎত্রগা বোল তান্নবদা অশোক-অপন নংবা য়াবগী তাঞ্জা লৈ। মরম অদুনা অতোপ্পা টিমশিংগী মায়কৈদগীসু হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম থমহন্নিংই হায়খি। হৌখিবা চয়োলদা চাইনাগী সেলিং টিমনা টোকিওদা মখোয়-মখোয়গী হোটেলদা লৈবা মতমদা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী খোঙথাংশিং অদুদা পেন্দবা থমখি। শান্নরোয়শিং অদুগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, কম্পিটিসন শরুক য়াগদৌরিবশিং অদুগা অতোপ্পা মীওইশিংগা তোৎন-তিন্নবগী অচৌবা মমি অমা তাখি হায়রি। চাইনাগী মায়কৈদগী টেবল টেন্নিসকী ওইনা হান্নগী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন মা লোং অমদি ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নুপাগী শান্নরোয় ওইরিবা ফান ঝেনদোংনা শরুক য়াগদৌরি। মখোয়গী মায়কৈদগী মেদলগী অচৌবা থাজবা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল কোচ মেমোল রোকি থবক্তগী পোথাখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইবগী থৌদাং চহী ৪ হেন্না পুরক্লম্লবী মেমোল রোকি মশাগী ওইবা মরম খরদগী কোচ ওইবগী থৌদাংদগী পোথারে হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কুমজা ২০১৭তগী ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরকখিবী মেমোলনা ফোঙদোরকপদা, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি ওরিষা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ফংখিবা মতেংশিং অদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা হান্না লৈরম্বা থাক্তগী হাইগৎপা ঙম্লকখিবনি হায়রদুনা নুংঙাইবা ফাওই হায়খি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কুশল দাসনা থোকখিবা চেরোল অমদা, মেমোল রোকিগী মায়কৈদগী মশাগী ওইবা মরম খরনা অপনবা পীবদগী মখা তানা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী হেদ কোচকী থৌদাং অদু লৌবা ঙম্লরোই হায়রকপা অদু অয়াবা পীখিবনি হায়রি। মসিগী মতাংদা ফেদরেসন অসিনা মহাক্কী ৱাফম অদুদা অয়াবা পীরবা মতুং কোচ অসিনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা পীরমখিবা অচৌবা মতেংশিং অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

মেমোলগী লুচিং মখাদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর থাদা ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌহনখি। লোয়ননা ২০১৯ এস এ এফ এফ ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপকী টাইটল ফংহনখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল কোচ আইগোর ষ্টিমেককী কন্ট্রেক্ট কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর ফাওবা শাংদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই২০ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা ক্রোএসিয়া মচা আইগোর ষ্টিমেককী কন্ট্রেক্ট অদু ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী কুমজা ২০২২গী সেপ্টেম্বর থা ফাওবা শাংদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী টেক্নিকেল কম্মিটিগী ঙরাং ফমখিবা মীফম অমগী মতুংইন্না ফোঙদোরকপনি। মীফম অদুগী চেয়রমেন ওইখিবা সিয়াম থাপানা ভিদিও কনফরেন্সিংদা তোঙান-তোঙানবা মেম্বরশিংগা মীফম পাঙথোক্লবা মতুং ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি য়েংলগা থবক নীংথিনা তৌরিবা আইগোর ষ্টিমেককী কন্ট্রেক্ট অদু শাংদোরকপনি।

আইগোর ষ্টিমেক ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল কোচ ওইনা কুমজা ২০১৯গী মে থাদগী থৌ পুবা হৌরকখিবনি। মহাক্না কোচ অমা ওইবগী করিয়রদা ক্রোএসিয়াবু কুমজা ২০১৪গী ব্রাজিলনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপতা কোচ অমগী থৌদাং লৌদুনা শরুক য়াহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমনা আইগোর ষ্টিমেককী লমজিং মখাদা কুমজা ২০২২ কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপ অমসুং কুমজা ২০২৩ চাইনা এ এফ সী এসিয়ন কপকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াদুনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙমখি। ইন্দিয়ানা শরুক য়াখিবা গ্রুপ অদুদা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবদগী ৱর্ল্ড কপগী ওইনা মখা তাবা ক্বালিফায়িং রাউন্দদা খোঙ থাংজিনবা ঙমখিদ্রবসু এসিয়ন কপকী ওইনদি অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াবা ঙম্বগী অচৌবা লম্বেল অমা লৈরি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মায়কৈদগী ঙরাং ফমখিবা ভিদিও কনফরেন্সিংগী ওইবা টেক্নিকেল কম্মিটিগী মীফম অদুদা ৱারোইশিন পুরক্লবা মতুং কোচ ষ্টিমেকতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল অসি হেন্না খুমাঙ চাওশিনবা ঙম্নবগীদমক্তা অশানবা মীৎয়েংগী ওইবা কাঙলোনশিং পুখৎননবা খঙহনখি।

ইন্দিয়াগী বেটসমেন মিথালি রাজনা নুপীগী ৱান দে ইন্টরনেসনলগী নম্বর ৱান পোজিসনদা অমুক লৈখ্রে

দুবাই, জুলাই২০ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী নৌনা ফোঙদোরকপা নুপীগী ক্রিকেটকী ৱান দে ইন্টরনেসনলগী শান্নরোয়শিংগী মকোকমথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন মিথালি রাজনা অমুক হন্না মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, চহী ১৬কী মমাংদা মিথালি রাজনা মহাক্কী করিয়রদা ইহান হানবা ওইনা নুপীগী ৱান দে ইন্টরনেসনল ক্রিকেটতা মালেমগী ওইনা নম্বর ৱান থাক্তা লৈবা ঙমখিবনি। ঙসি থোকখিবা আই সী সীগী অনৌবা পরিং অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজকী কেপ্টেন ষ্টাফানি টেলরনা মঙাশুবা পোজিসনদা হন্থখিবদগী মিথালি রাজনা অমুক হন্না মকোক থোংবা ঙমখিবনি।

ৱেষ্ট ইন্দিজকী কেপ্টেন টেলরনা পাকিস্তানগা শান্নবা সেরিজদা মেটচ ৩-২দা মায় পাকপা ঙম্লবসু মহাক্না শরুক য়াখিবা মেটচ অনীদা রন ৪১ অমসুং ২১খক লৌবা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা মহাক্না নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরম্বা মতম অদুদগী পোইন্ট ৩০ হন্থরগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। হৌখিবা চয়োলদা টেলরনা নুপীগী ৱান দে ইন্টরনেসনলগী নম্বর ৱান ওইরম্বনি।

আই সী সীগী মায়কৈদগী টি-২০গী শান্নরোয়শিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী ওপনর স্মৃতি মনধনানা ইংলেন্দগা শান্নখিবা অহুমশুবা মেটচতা রন ৭০ স্কোর তৌবা ঙমখিবা পর্ফোর্মেন্স অদুগীদমক্তা মহাক অহুমশুবা থাক্তা হাইগৎলকপা ঙমখি।

অমরোমদা, ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা থাক অমা হাইগৎলগা ৩৬শুবা পোজিসনদা লৈখিবা শান্নরোয় অদু দিপ্তি শর্মানি। লোয়ননা চহী নৌরিবী ৱিকেট কিপ্পর রিচা ঘোশসু থাক ৯ হাইগৎলগা বেটসমেনশিংগী ওইবা পরিংদা ৭২শুবা পোজিসনদা লৈখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় সেফালি বর্মাসু মকোক থোংবা শান্নরোয় ১০গী মনুংদা লৈবা ঙমখি।

ৱান দে ইন্টরনেসনলগী নুপীগী ওইবা ওলরাউন্দরশিংগী মকোকমথং তাবগী পরিংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলিজ পেরিনা মকোক থোংবা ঙম্লি। অদুগা বোলরশিংগী মনুংদা ৱেষ্ট ইন্দিজকী কেপ্টেন ওইরিবী ষ্টাফানি টেলর ৩শুবা থাক্তা হন্থখি।

মালেম্না টোকিও ২০২০ ওলিম্পিক গেমস অসি অশোয়-অঙাম য়াওদবা ওলিম্পিক্স ওইনা উহনগনি : য়োসিহিদে সুগা

টোকিও, জুলাই২০ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহীদা পাঙথোক্ননবা শেমশাখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস য়ৈথোক্তুনা ইরাই নুমীৎতগী হৌগদৌরিবা অসি মালেমদা অশোয়-অঙাম য়াওদবা ওলিম্পিক গেমস অমা ওইনা উহনগনি হায়না জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর য়োসিহিদে সুগানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি টোকিওগী ফাইভ ষ্টার হোটেল অমদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বরশিংগা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। সিটি অদুদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী মশীং য়াম্লবা এথলিটশিং, ওফিসলশিং, সপোর্ট ষ্টাফশিং অমদি মীদিয়াগী মীওই কয়া লাক্তুনা লৈরবনি অমসুং মখা তানসু লাক্লি।

জপানগী মীয়াম্না লৈবাক অদু খক্তা নৎতনা অতোপ্পা লৈবাকশিংনা থেংনরিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অদুনা মরম ওইরগা ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা পামদবগী অপান্বা কয়া ফোঙদোক্লবা লৈখ্রবনি। ইরাই নুমীৎতা ওলিম্পিক গেমস অসিগী হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোকপা অদুগী মাংওইননা নুপীগী ফুটবোল অমসুং সোফ্ট বোলগী ইভেন্টশিং শান্নবা হৌগদৌরিবনি।

মালেম শীনবা থুংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি য়েংলগা জপাননা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি খ্বাইদগী চেকশিনবা ওলিম্পিক গেমস অমা ওইহনগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর সুগানা মখা তাখি। ওগষ্ট ৮ ফাওবা চথুগদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি লোইরবা মতুং থা অদুমক্তুদা পেরাওলিম্পিক গেমসসু সিটি অদুদা মখা তানা পাঙথোক্কদৌরিবনি। ঙসিগী মীফম অদুদা কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী থাদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মীফম অদুগী মতুং মেম্বর ১০১ লৈবগী মনুংদা মেম্বর ৭৫না ফম্মীন্নদুনা ৱারী শানদুনা গেমস অসি অশোয়-অঙাম য়াওদবা গেমস অমা ওইহনগনি হায়বগী অপান্বা অদু ফোঙদোক্লখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 176

Katte, Nicolas (1148) - Jussupow, Ekaterina (746)
DEM U10 Ueberlingen (10), 2000.06.09

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.d4 exd4 4.Nxd4 Nf6
5.Nxc6 bxc6 6.Bd3 Bb7 7.O-O Bc5 8.Bg5 h6
9.Bh4 d6 10.Re1 O-O 11.Nd2 Rb8 12.Qf3 Bd4
13.c3 Bc5 14.Bxf6 Qxf6 15.Qxf6 gxf6 16.a4 a5
17.b3 Rfd8 18.Re2 d5 19.e5 d4 20.Ne4 Bb6
21.Nxf6 +Kf8 22.c4 c5 23.e6 fxe6 24.Rxe6 Kf7
25.Rae1...

QUESTION :

White to win

Puzzle 175 Ans. :

32. ...b2 33. Kg2h3+ 34. Kxh3 bxc1=R
34. ...bxc1=Q 35. Rxc1 Rc2 36. Ra1 Rb2
36. ...Ra2 37. Rc1 Rc2 38. Rf1 Rb2 39. Rc1 Rc2
37. Rc1 Rc2 38. Rf1 Rb2 39.Rc1 Rc2
34. ...bxc1=B 35. Rxc1 Rc2 36. Ra1 Rb2
36. ...Ra2 37. Rc1 Rc2 38. Rf1 Rb2 39. Rc1 Rc2
37. Rc1 Rc2 38. Rf1 Rb2 39. Rc1 Rc2
34. ...bxc1=N 35. Rxc1 Rc2 36. Ra1 Rb2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com